# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-03-2026)**

## অকাশবানি ইম্ফালগী
## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ
## (তাং ২৩-০৩-২০২৬, নিংথৌকাবা)

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ু.এন.এল.এফ(কোইরেং)গী মীওই ১৪ য়াওনা লালহৌবা ১৫ ফারে।

চুরাচান্দপুরদগী খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

২) অহুমশুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে। অমরদিব গোগোইনা দাইরেক্সন পীবা কোলাজনা বেষ্ট ফিচর ফিল্ম তারে।

**অমসুং**

৩) লৈবাক অসিদা লৈরিবা জেলগী ফিভমশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা দেতা চহী অসিগী মে ১৮ ফাওবদা পীরকবা সুপ্রিম কোর্টনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা খংহনখ্রে।

----

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী কে.গেলজাং এরিয়াদগী ঙরাং য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎলে। মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা- গ্রেনেদ ৬, মোর্তার

বোম ১, আই.ঈ.দি ১, শিঙ্গল বেরেল রাইফল ২, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৭ ফাগৎলে। নুমিৎ অসিমক্তদা মণিপুর পুলিসনা থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা হাউখোঙ এরিয়াদগী য়ু.এন.এল.এফ(কোইরেং)গী কাদর ১৪ ফারে। মখোয়দগী ইন্সাস রাইফল ২, ইন্সাস এল.এম.জি, মেগজিন ৮, ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন ৫, ইন্সাসকী নোংমৈ মরু ১০০, শেল ওইনা লূপা লাক্ষ ১, মোবাইল ফোন ১২, চাকা মরি পানবা গারি ৪ অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে। মখা তানা থিজিনবগী থবক চত্থরি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ লিৱা লম্বী অহোংশাংবম লৈকাইদগী প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমা ফাগৎখি।

রাজ্য অসিদা নিতি নিয়ম লান্না গারি থৌবশিং ফাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। থা অসিগী ১৬ তগী ঙরাং ফাওবদা চলান ২৯ কত্তুনা লূপা লিশিং ৬৮ ফাইন ওইনা থিহনখি।

**হাই কোর্ট(এল)ঃ** হাই কোর্ট ওফ মণিপুর লিংখৎখিবগী ১৩ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি নুংথিল পাঙথোক্লগনি। মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা রাজ্যপাল অজয়কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চিফ জস্তিস, জস্তিস এম.সুন্দরনচিংবা শরুক য়াগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঈ সেবা কেন্দ্র বস শিজিন্নদুনা নুমিৎ ৭ নিগী ওইবা ঈ.সি.তি প্রোগ্রাম হৌদোক্কনি। মসিগী মথক্তা হাই কোর্ট ওফ মণিপুর-১৩ ইয়র্স ওফ জস্তিস হায়বসিগী মতাংদা দোক্যুমেন্তরি অমা পুথোক্কনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী সোভিনিয়র, মনিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী ন্যুজ লেতর, হেন্দ বুক ওফ লিগেল তর্মস অমসুং মণিপুর জ্দিসিয়েল একাদেমি ভিজন দোক্যুমেন্ট

২০২৬-২০৩৬ পুথোক্কনি।

**এগ্রি(এল)ঃ**নুমিৎ হুমি চৎথরকপা এগ্রি য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৬ ঙসি ইরোইশেম্বা ইম্ফালদা লৈবা কোলেজ ওফ এগ্রিকলচরদা লোইশিল্লগনি। সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালনা শিন্দুনা পাঙথোকপা য়ুথ পার্লিমেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, নোর্থ ইষ্টর্ণ হিল য়ুনিভর্সিতি শিল্লোংগী ভাইস চান্সেলর ডা.প্রভা সঙ্কর সুক্লা, সি.এ.য়ুগী ভাইস চান্সেলর ডা.অনুপম মিশ্রানচিংবা শরুক য়াগনি। এগ্রি ভিজন-এগ্রি য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসি হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা রাজ্যপাল অজয়কুমার ভল্লানা হৌদোকখিবনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী নাৎকী ওইবা জগোই অমদি চীঞ্জাক, চৎনবী কয়া উৎলি। য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসিদা রাজ্য সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ষ্টোল য়াওনা লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং উৎপা পুন্না ষ্টোল ৩৭ হাংলি।

নুমিৎ হুমি চৎথগদবা য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসি তুং কোইবা অনৌবা ৱাখল্লোনদা অহেনবা খুদোংচাবা ফংবা মওংদা অৱাং নোংপোক ভারত্তা লৌউ শিংউগী লমদা খোঙ থাংজিনবা হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি। য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসিদা লৌউ শিংউ অমদি মসিগা মরী লৈনবা লমশিংদা থিজিন খোমজিনবা, টেকোলোজিগী খুমাং য়াংশিনবা অমদি অনৌবা ৱাখল্লোনশিংদা মরুওইনা খন্ন-নৈনখি।

**তান্থা (এল)ঃ** অহুমশুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফেষ্টিভেল ঙরাং ইম্ফালগী লমফেলদা লৈবা তান্থা পোলিস সিনেমাদা মাই পাকা লোইশিনখ্রে। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স, থৌনা অমসুং ওল মণিপুর ফিল্ম প্রদ্যুসর এসোসিয়েসননা শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চৎথরকপা

ফেষ্টিভেল অসিগী লোইশিনগী থৌরমদা ইনফোর্মেসন অমসং পব্লিক রিলেসন্স, টুরিজম অমদি পি.ঐচ.ঈ.দিগী সেক্রেটরি হুংনিয়ো ৱার্সং শরুক য়াখি। ফেষ্টিভেল অসিদা সুমিত্রা হাজারিকানা প্রদ্যুসর ওইবা অমরদিব গোগোইনা দাইরেক্সন পীবা কোলাজনা বেষ্ট ফিচর ফিল্ম তাখি। বেষ্ট নন ফিচর ফিল্মদা খুমনলম্বম ওমেস্বরিনা প্রদ্যুসর ওইবা থিংনাম পরসুরামনা দাইরেক্সন পীবা তোই গননা বেষ্ট নন ফিচর ফিল্ম তারে। বেষ্ট দাইরেক্তরনা রোমান্তিক এফিয়র্সকী দাইরেক্তর মোনজল বরুৱানা তারে। জরি স্পিসিয়েল এৱার্দনা রাকেশ মোইরাংথেমনা দাইরেক্সন তৌবা ফিল্ম ফৌওইবীদা পীখি। ফেষ্টিভেল অসিদা পুন্না ফিল্ম ৯ উৎখি।

**কোর্টঃ** লৈবাক অসিদা লৈরিবা জেলগী ফিভমশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা দেতা চহী অসিগী মে ১৮ ফাওবদা পীরকবা সুপ্রিম কোর্টনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা খংহনখ্রে। দেতা অদুদা জেলশিংদা মী মশিং হেঞ্জিন্না থম্বা অমদি মী কয়া য়ামা লৈফম থোকপগে হায়বগী অকুপ্পা ৱারোল পীরকবা হায়রি। জষ্টিস বিক্রম নাথ অমসুং জষ্টিস সনদিপ মেহতাগী বেঞ্চ অমনা হন্দক্তা থোকখিবা হুকুম অমগী মতুং ইন্না নুপী বোন্দি কয়া য়ামা লৈবগে অমদি মখোয়দা পীরিবা খুদোংচাবশিং অমসুং নুপী বোন্দিশিংগা লৈমিন্নরিবা মখোয় মখোয়গী অঙাংশিংগী য়াইফ থৌরাং অমদি শিক্ষাগী লমদা করি থবক লৌখৎলবগে হায়বদুগী ৱারোলসু পীরকবা হায়রি।

**পিএমঃ** নোংচুপ এসিয়াদা উংখৎনরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা অমদি মসিবু মাইয়োকনবা থৌরাংশিং পায়খৎলিবা অদুগী মতাংদা কেবিনেট কন্মিতি ওন সেক্যুরিতিগী মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা সরকারগী বিভাগশিং অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নদুনা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংদা খুদোংচাদবা মায়োকহন্দনবা পাউতাক পীখি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-উংখৎনবা অসিনা করিগুম্বা

হীরম অমা নত্রগা অমদা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা শোকহল্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিং অশোই অঙাম থোকহনদবা অমদি মসিগী চৈথেং ফংহনদবা হায়বসি য়াममক তঙাইফদে। প্রধান মন্ত্রিনা মীফম অদুদা মন্ত্রি অমদি সেক্রেটরিশিংগী ওইবা অপুনবা কাংলুপ অমা শেমদুনা সরকারনা পায়খৎলক্লিবা থবকশিংদা থৱাই য়াওনা থবকশিং অদু পাঙথোকবা পাউতাক পীখি। মহাকা সেক্তরেল গ্রুপশিংদা স্তেক হোল্ডরশিংগা ৱা খন্নদুনা থবক তৌনবসু পাউতাক পীখি।

**সরকারঃ** কেন্দ্রনা হায়রি-লৈবাক অসিদা হৌজিকমক্কী ওইনা তঙাইফদনা পেত্রোল্লিয়মগী পোত্থোকশিং ৱাৎপগী ফিভম লৈতে। ওইল রিফাইনরিশিং মহৌশাগুম থবক তৌদুনা পেত্রোল অমসুং দিজলগী স্তোক মরাং কাইনা লৈরি। রিতেল আউটলেটশিংদা থাউ ফংদবগী পাউ লৈত্রি। কেন্দ্রগী পেত্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়-য়ুমদা শিজিন্নরিবা চাক থোংনবা গ্যাসশিং মহৌশাগুম দেলিভরি তৌরি। মসিগী মথক্তা মীপাইবা পোক্তুনা বুকিং তৌবগী চাং হন্থরে। চেরোল অদুনা হায়-সরকারনা রাজ্যশিংদা কম্মর্সিয়েল এল.পি.জি পীবগী চাং হেনগৎলে। মসিগী মথক্তা মীয়াম্বু হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমক অনৌবা পি.এন.জি কনেক্সন ওন্থোকবা পাউতাক পীখ্রে। মন্ত্রালয়না হায়-রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ম টেরিটরিশিংদা এল.পি.জি পৈশিন্দুনা থম্বা অমদি ব্লেক মার্কেট তৌবশিং ফাননবা মফম কয়াদা থি হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা অসামগী গুৱাহাতিদা কুকি জো কাউন্সিলগা ৱারি শান্নখিবা অমদি মদুগী মতাংদা মহাকা ফোঙদোকখিবা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং, মুখ্য মন্ত্রিগা গুৱাহাতিদা ৱারি শান্নরুবা কুকি জো

কাউন্সিলগী চেয়রমেনগী য়ুমদা এত্তেক্ট তৌখ্রে, সেন্সসকী মায়োক্তা পোষ্টর কেম্পেইন চথখিবগী পাউ ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

কুকি মিলিতেন্টশিংনা নোংমৈ লেপ্তুনা কাপথরকপদগী মমা মচা লোত্তুনা লৈখিবা অমদি তুংদা মখোয়বু অশোই অঙাম য়াওদনা লৌথোকখিবগী পাউ-ফোতোগা কোন্ননা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা হেলদাইন তৌরি। পাউ অসি- পিপলস ক্রোনিকলদসু ফোঙবা থেংনরে। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী এঙ্কর কলমদসু ফোঙলি।

সেন্সস পাঙথোকপা মতাং চাদ্রি, এস.আই.আরনা মীতোপ তান্থোকপা ঙমদে হায়বা পাউ অসিনা - হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

আই.এস.বি.টিগী ফিভম য়েংশিনখ্রে, কন্নেক্তিবিতি লৈহন্নবা য়ামা কন্না হোৎনরি হায়বা পাউনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

উমং য়োকখৎতুনা থমসি হায়বা এদিস্নেল চিফ সেক্রেটরিগী ৱাফমা- মণিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

কুকি জোশিংগা শান্নখিবা ৱারি পুন্বা মীয়ামদা খংহল্লু, বফর জোন ঙাকা থমবা ৱাফম থল্লকপা লাইবক থিবনি হায়বা কোকোমিগী ৱাফম- সনালৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, হুইয়েন লানপাউদসু নিংথিজনা ফোঙবা থেংনরে।

উখ্রুল ভিলেজতা লান্দাখিবা অমদি কুকি জো কাউন্সিলগা ৱারি শান্নখিবা অদুগী মতাংদা তাঙ্খুল নাগালোংনা ৱাফম কয়া হংলক্লি হায়বসিনা- গানফিউ মেলগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

অহুমশুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিভেল ঙরাং তান্থা পোলিসতা লোইশিনখ্রে হায়বা পাউনা- তামেংলোং তাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-অতৈ পাউচেশিংদসু নিংথিজনা ফোঙবা থেংনরে।

ইং ২০১৫ দা য়ানখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট ভারত সরকারনা মীরাইবীরে হায়বা এন.এস.সি.এম-আই.এমনা শিরক্লিবা মরাল হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

অমিত শাহনা মণিপুর সেক্যুরিতিগী রিভিয়ু তৌখ্রে, লূপা ক্রোর ১০০ হেনবগী দ্রক সেক্যুরিতিনা ফারে হায়বা পাউ- নহারোলগী থৌদাংদা ফোঙবা থেংনরে। অমিত শাহগী পাউ অসি- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

কৌত্রুক অমসুং কদাংবন্দদা ২০২৪ দা দ্রোন বোম্বিং চথখিবা অদু নৌনা য়েংশিনবা মথৌ তারি হায়বা পাউ অমা- পোকফমগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

**--- পাউ লোইজরে ---**